**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14.6.2024)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ

## (তাং ১৪-০৬-২০২৪, ইরাই)

**---অকাশবানি ইম্ফাল নিংথৌখোংজম সুনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুরদা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবনবা অমদি মফমশিং অদুদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলশিং লৌথোকপিয়ু হায়না নাগাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

২) **মালেম**গী মফম শিনবা থুংনা ঙসি ৱার্ল্ড ব্লদ দোনরস দেগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে, মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পঙথোকখি।

৩) জিরিবামদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক স্কুল ফোর দিসপ্লেস চিল্ড্রেন হাংদোকখ্রে।

৪) চিফ জস্তিস-জস্তিস সিধার্থ ম্রিদুলনা হায়রি- কোর্টকী ৱায়েলশিং মীয়ামদা অচম্বা লোনদা খঙহনবদা লিগেল রিপোর্টরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

**অমসুং**

৫) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগী হিয়ারিং ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চথুখ্রে। মখা তাবা হিয়ারিং জলাই ৮ দা চথুরগনি।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**উখ্রুল (এল)ঃ** মনিপুরদা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা কামজোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈশিল্লিবা অসি য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মীতোপশিং অসি মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবনবা অমদি হায়রিবা মফমশিং অদুদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলশিং লৌথোকপিয়ু হায়না য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিল, নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন মনিপুর, ওল নাগা ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন মনিপুর অমসুং নাগা পিপলস মুভমেন্ত ফোর হ্যুমেন রাইটস সাউটকী অপুনবা কাংবু অমনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা হায়-হৌখিবা চহি ২০২১ দগী হৌনা ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লাকপদগী ম্যান্মার মচাশিং য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংদা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লি। মনিপুরগী কামজোংদসু মীওই কয়া লাঞ্জেন্নরক্তুনা ২০২৩ গী নবেম্বর থাদগী হৌদুনা চংজফম লৌদুনা লৈরক্লি। হৌজিক ফাওবদা কামজোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুল ৮ দা ম্যান্মার মচা ৫৪৫৭ লৈরি। মসিনা মফম অদুগী হান্না লৈরম্বা মীগী মশিংদগী হেঞ্জিল্লকপগী অকিবা অদু লৈরে। মসিদসু নত্তনা ম্যান্মার মচাশিং অসিনা খুন্নাইগী মায়োক্তা অকায়বা থবক কয়া তৌবগী ৱাফমসু লৈরি। সরকারনা পায়খৎলকপা মীতোপ খনদোকপগী থবক্তা বাইও মেত্রিকা মশক খঙদোক্লবা ম্যান্মার মচা লিশিং ৫১৭৩ ওইরবসু মরী লৈনবা ওথোরিতিনা চাং নাইনা থবকশিং অদু য়েংশিনবা ঙমদে। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অসিগীদমক সরকারনা পায়খৎপা য়বা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা জিলা অসিগী মীয়ামসু মখোয়বু মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা নিংথিনা লৈমিন্নদুনা লাক্লি। অদুমওইনমক, মখোয়গী মরমদা হৌজিক তংদু লৈতাবগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবনিনা মখোয়বু তেক্তা কায়দনা মরমদা হলহনখিনবা হায়রি।

**গ্রেনেট(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী সোরা বজারদা হেন্দ গ্রেনেট অমা লৈরক্লে হায়রি । ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম বাভেস্তরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায় রোম তাবা অদুৱাইদা ককচিং পুসিল ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সোরা বজারগী ৱেতিং সেটতা পোখায়দ্রিবা হেন্দ গ্রেনেট অদু লৈরম্বনি। মনাক নকপদা লৈবা মীয়ামা পুলিসতা পাউ পীবদগী অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা পুলিসকী কাংবুনা বোম অদু পুখিবনি।

**ব্লদ(এল)ঃ** **মালেম**গী মফম শিনবা থুংনা ঙসি ৱার্ল্ড ব্লদ দোনরস দেগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পঙথোকখি। নেসনেল হেলথ মীসন ষ্টেট হেলথ সোসাইতিগী ষ্টেট ব্লদ সেল অমদি ষ্টেট ব্লদ ত্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল মনিপুরনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্তা নুমিৎ পালন থৌরম অসি ঙসি ইম্ফালগী জি.পি ৱিমেন কলেজতা পাঙথোকখি। “২০ ইয়রস ওফ সেলেব্রেতিং গিভিং থেঙ্ক্যু ব্লদ দোনরস ” হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডা: ও .সনাহনবিনা হায়-ঈ-দান তৌবনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্বতা নত্তনা ইশাবুসু হকচাং ফনা লৈহনবা ঙমই। মসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা ঈগী মথৌ তাবশিংদা মতেং পাংবা ঙক্লে হায়বা ৱাখল অসিনসু পুন্সিদা তোঙানবা নুংঙাইবগী মহাওসু পীহল্লি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ সনাহনবি----**

থৌরম অদুদা নেসনেল হেলথ মিসন মনিপুরগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর ডা: সোমোর্জিৎ নিংঙোম্বম, রিমস হোস্পিতালগী ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন দিপার্টমেন্তকী প্রোফেসর এ.বরিন্দ্রা শর্ম্মা, জে.নিমস ব্লদ সেন্তরগী সেনিয়র এমও ইনছার্জ ডা: কোন্সম সুর্জিৎ অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজকী প্রিন্সিপল হিজম রোমি দেবী শরুক য়াখি।

অমরোমদা, রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস(রিমস) কী ব্লদ বেঙ্কনা শিন্দুনা ঙসি মালেমগী ঈ-দান তৌবগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসর জি-সুনিল কুমার শর্ম্মনা হায়- মীওইবা অমনা ঈ-দান তৌবদা মাংজবা লৈতে, ঈ-য়ুনিত অমনা মীওইবা ৩গী পুন্সি কনবা ঙমই। মহাকা হায়- ঙসি ফাওবা ঈ-পীথোক্তনা লৈরিবা মীয়ামা ঈ-দান তৌবিরদি মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগনি ।

স্বাস্তা এক্সন প্লান ২০২৪গী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রিমসকী ষ্টাফ ৫০ না ঈ-দান তৌখি। থৌরম অদুদা রিমসকী মেদিকেল সুপ্রিনতেন্দেন্ত প্রোফেসর এন.সনজিব অমদি হোস্পিতাল অসিগী ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন দিপার্টমেন্তকী প্রোফেসর এ.বরিন্দ্রা শর্ম্মা শরুক য়াখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবামদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক স্কুল ফোর দিসপ্লেস চিল্ড্রেন হাংদোকখ্রে।

জোনেল ইদুকেসন ওফিস জিরিবামনা শিন্দনা ঙসি স্কুল অসি ভিদ্যানগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংদোকখিবনি। স্কুল হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জোনেল ইদুকেসন ওফিসর টি.ঐচ অমুরাসিনা হায়- স্কুল অসিদা ক্লাস ৱানদগী ঐইথ ফাওবা ওজা ২৪ না অয়ুক নুংথিল খায়দোক্তুনা লাইরিক তম্বীবগী থবক চথগনি। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাং ৯৮ স্কুল অসিদা মহৈ তমগনি। অঙাংশিং অসিদা লাইরিকতম্বদা চংগদবা মচাক মথুমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিস্বাজিৎনা হায়- লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক সরকারনা লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিবুদি থাগৎপা ফোংদোকরি। অদুম ওইনমক লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী ময়ুমশিংদা হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগুম তংদু লৈতানা লৈবা পাল্লি। মসিগীদমক সরকারগী মায়কৈদগী সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী অপাম্বসু ফোংদোকরক্লি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**লিগেল(এল)ঃ** চিফ জস্তিস-জস্তিস সিধার্থ ম্রিদুলনা হায়রি- কোর্টকী ৱায়েলশিং মীয়ামদা অচম্বা লোনদা খঙহনবদা লিগেল রিপোর্টরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। হায়কোর্ট ওফ মনিপুর অমদি ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা চেলেঞ্জেস ইন লিগেল রিপোর্টতিং এন্দ দা রোল ওফ মেদিয়া হায়বা হিরমদা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মনিপুর হায়কোর্টকী জজেস লোঞ্চ হোলদা পাঙথোকখিবা খন্না নৈনবগী থৌরম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। খন্না নৈনবা অদু রাজ্য অসিদা পাউমীশিংনা লিগেল রিপোর্টতিং নিংথিনা তৌবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা অহানবা খোংথাং ওইনা পায়খৎপনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জস্তিস শ্রিধার্থ ম্রিদুলনা হায়- পাউমীশিংদা খন্না নৈনবগী থৌরম অসিনা লিগেলগা মরী লৈনবা পাউ ইবদা মখোয়দা খুদোংচাহনগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়- কোর্টনা পীরকপা রাইদা অপাম পামদা ফোংদোকপদা তরামা ওক্লি। অদুবু মদু কোর্টনা তাবা ৱায়েলদা তৌগদবনি, কোর্টকী জজশিংদা তৌরোইদবনি।

**--সাউন্দ ম্রিদুল--**

থৌরম অদুদা হিন্দুস্থান টাইমসকী লিগেল এদিতর উৎকারস অনন্দনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

**লিগেল-২(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা নৌনা শেমখিবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে । বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পি ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা তেকিকেল সেসন অমদি পেনেল দিসক্সন পাঙথোকই। মদুদা হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা ক্রিমিনেল লো ৩গী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি বিষ্ণুপুরগী চিয়রমেন এন.কিরতিচান্দ সিংহনা ঙসিগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হায়- নৌনা শেমখিবা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিনা মীয়ামদা হেন্না মপুং ফানা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লগনি। মহাকা হায়-

**--সাউন্দ চিয়রমেন--**

থৌরম অদুদা রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগকী জোইন্ত সেক্রেটরি ময়েংবম ভেতোনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

থবক(এল)ঃ প্রসার ভারতিনা অকাশবানি ইম্ফাল অমদি দুরদসন কেন্দ্র ইম্ফাল অনিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা থবকশিং লৌবগী দরখাস কৌরি। দুরদাসন কেন্দ্র ইম্ফালগী ওইনা চহি অনিগী কন্ত্রেক বেসিসদা জনিয়র তেকিকেল এসিস্তেনগী ফম অনি লৌনবা দরখাস কৌরি অদুগা অকাশবানি ইম্ফালগী ওইনা চহি অনিগী কনত্রেক বেসিসতা তেকিকেল এসিস্তেনগী ফম অনি অমসুং চুরাচান্দপুরদা লৈবা অকাশবানিগী ওফিসি অসিগীদমক তেকিকেল এসিস্তেনগী ফম অনি অমগসু লৌনবা দরখাস কৌরি। অবুক্লা মরোল প্রসার ভারতিগী ৱেব সাইট নত্রগা অকাশবানি ইম্ফালগী ফেসবুক পেজতগী খঙবা য়াগনি ।

ৱোদের(এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি শাবগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ৩৩. ০৫ য়ৌখি। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ত এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ বিভাগনা পিবা ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না কাংপোকপী জিলাদা শাবগী চাং অসি ৩৩.০৫, নোনে জিলাদা ৩২.৯৫ য়ৌখি।

এ.আর(এল)ঃ আই.জি.এ.আর সাউটকী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী হোয়াং ভিলেজতা বোলিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে। অসাম রাইফলসনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মেটচ অদু লমদম অসিদা লালহৌবশিং নমথনবগী পান্দমদা শান্নখোৎনবদা মায় ওনশিন্নবগীদমক পাঙথোকপনি। মেটচ অদুদা খুঞ্জা ৪৮ না শরুক য়াখি। তুংদা গানোম কম্পানিগী কম্মান্দরগা খুঞ্জাশিংগসু উন্নখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থীংঙেলদা চথরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিবতিন বোইজ সোকর টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ.এ লাংমৈদোং লাক্তবদগী দব্লিউ.এ.সি ৱাইখোম লৈকায়না ৱার্ক ওভর ফংখ্রে, ৱার্ল্ড প্রো হাওরৈবিনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে , কাগো এফ.সি খোংমননা ঐখোয়গী ক্লব ওইনাম থিংঙেলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। মরি শুবা মেটচতা মঙাল এফ.এ কোন্থা খাবমনা হিয়াই এফ.এ টিম এ. লুৱাশঙবমবু পাঞ্জেল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ককচিংগেমস(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.এস.এ ককচিংদা চথরিবা ২১ শুবা কে.এস.ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপরদিভিজন লিগ ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.এ.ও ককচিংনা এস.আই.এক্স.আই.সি কৈরকপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**স্পোর্টস(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংশোইবি মপালগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা রাজ্য থাগী লেট লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী (নাউনচা লৈমা)মেমোরিয়েল

ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দি.এ নিংথৌখোংনা টি.এস.বি চিংখুবু পাঞ্জল ৭- ৩ দা থোইখ্রে ।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**নিট ঃ** নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগী হিয়ারিং ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চত্থখ্রে। মখা তাবা হিয়ারিং জ্লাই ৮ দা চত্থরগনি। হিয়ারিং অদুদা পেতিসন্নরশিংগী মায়কৈদগী নিট পারিক্ষা অসিগী মথক্তা সি.বি.আই ইনক্কারি তৌবিনবা ৱাফম পুখৎখি। পনবা য়াবদি ভারতকী ওইনা মহৈরোই লাখ ২৪ গী মরাইবম লেপকদৌরিবা নিট পারিক্ষা অসি চহি অসিগী মে ৫ দা পাঙথোকখিবনি। লোয়ননা নেসনেল তেস্তিং এজেন্সিনসু হায়রিবা পারিক্ষা অসি নিয়ম চুমদনা পাঙথোকখি হায়বগীদমক তোঙান তোঙানবা হায়কোর্টশিংদা লাকখিবা ৱাকৎশিং পুন্সিনবিনবা পেতিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা থারকখিবা লৈখ্রবনি।

**এন.আই.এঃ** নেসনেল ইনভেস্তিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)না মহারাস্ত্রগী নাশিক্তগী মী লল্লোনবা অমসুং সাইবর ফ্রোদ কেস্তা চেন্নবা মীওই অমা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদু সুধরসন দারাদে কৌই। হায়রিবা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা চয়োল ৩ সিগী মনুংদা ফাবা মহাকা ৬ শুবা মীওইনি। মমাং থা অসিগী ২৭ তা এন.আই.এনা রাজ্য পুলিসকা লোয়ননা থীবা হুন্বগী থবক চত্থবদা মীওই ৫ ফাখি।

এন.আই.এন থীগৎপদা দারাদে হায়রিবা মীশক অসি মপান লৈবাকশিংদা ভারতকী নহাশিংবু আইনগী ৱাংমদা নিয়ম কায়না থবক ফংহনগনি হায়না থাজবা পীদুনা মীওইশিং অদুবু নমদুনা পুনবা হোৎনবদা চেন্না মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্লে। ফারবা মখোয় ৬ মক আইনগী ৱাংমদা ঙমখৈ লান্থোকহন্দুনা থাইলেন্দ কম্বোদিয়া অমসুং ভেটনামনচিংবা মফমশিংদগী ভারত মচাশিংবু লাওসতা পুনবা হোৎনবা মীশকশিংনি। ঙসি ফাখিবা মীওই অদুদগী তোঙান তোঙানবা চে চাং ,

বেঙ্ক একাউন্ত, দিজিতেল দিভাইসনচিংবা পোৎলমশিং ফংখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ইটলিগী ওপুলিয়াদা পাঙথোক্লিবা জি-সভেন আউটরিটচ সম্মিৎতা শরুক য়ানবগীদমক ইটলিদা থুংখ্রে। থৌরম অদুগী মাঙওইননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী জি-৭ সম্মীট শরুক য়ান্নবা লাকপা লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোকখি। মদুদা ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতি ইমানুৱেল মেক্রোনগসু উন্নখি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ইটলিদা থুংখিবা শ্রী মোদিবু লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি জিওরজিয়া মেলোনিনা তরামা ওকখি। শ্রী মোদিনা ইটলিগীদমক খোংশাংলমাইদা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়-মহাকা অহুমলকশুবা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা মপান লৈবাক্তা চৎপা অসি হন্দক্কী ইতালিগী খোঙচৎ অসিনা ইহান হানবনি। মসিগীদমক মহাক নুংঙাইবা পোকই হায়না পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।

ঃ

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) মনিপুরদা ম্যান্মারদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশা মশাগী মরমদা হলহনখিবনবা অমদি মফমশিং অদুদা মথৌ তৌরিবা অসাম রাইফলশিং লৌথোকপিয়ু হায়না নাগাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

২) **মালেম**গী মফম শিনবা থুংনা ঙসি ৱার্ল্ড ব্লদ দোনরস দেগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে, মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পঙথোকখি।

৩) জিরিবামদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগীদমক স্কুল ফোর দিসপ্লেস চিল্ড্রেন হাংদোকখ্রে।

৪) চিফ জস্তিস-জস্তিস সিধার্থ ম্রিদুলনা হায়রি- কোর্টকী ৱায়েলশিং মীয়ামদা অচম্বা লোনদা খঙহনবদা লিগেল রিপোর্টরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ।

**অমসুং**

৫) নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা নিট পারিক্ষাগা হিয়ারিং ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা চথখ্রে। মখা তাবা হিয়ারিং জ্লাই ৮ দা চথরগনি। --- **পাউ লোইজরে**---